ফুটবোল পামজবা ইমুং অমদা পোক্লুবনা, য়াম্না ঙন্না গেমসিদা ঐহাক খোঙদাজরকখি ঃ দি অথোই

নুপী ফুটবোলদা মীৎয়েং অমা

রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

দি অথোই (ভেটৰান ফুটবোল্লর)

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ ঃ

মণিপুরগী নুপী ফুটবোল্লরশিংগী মরক্তা অথোই কবুইসু মীয়াম্না থোইদোক্লা শকখঙনখিবী ১৯৭০ মতমগী শান্নরোইনি। পাউনা কৈথেলগী কাখুলোঙদা, ইং কুমজা ১৯৬৬ কী মার্চ থাদা লৈখিদ্রবা কে চঙাকনা অমদি কে কানেমগাইরুগী মচা তরুক্কী (নুপী মরি, নুপা অনী) ইতোন তোনবী মচানুপী ওইনা জী অথোই কবুই তাইবঙদা খোঙদাবীরকখি।

ফুটবোলদা ঙাওজবা ফেমিলি অমদা চাউরকখিবী ওইবনা, অথোইসু অঙাং ওইরিঙৈদগী ফুটবোল শান্নবা য়াম্না পাল্লকই। মহাক্কী হেক পোকমিন্নবা মবুঙ দালুঙফু কামৈনসু অথোইবু ঙন্না ফুটবোলদা খোঙদাহল্লকখি। কুমজা ১৯৭৬ তগী অথোই কাখুলুঙ য়ুঠ ক্লবতা থোক্তুনা ফুটবোল শান্নবা হৌরকখি। ফুটবোল শান্নরোই ওইনা, মণিপুরগী ক্লব কয়াদসু হোঙ হোঙদুনা পঙশান্দা শান্নরকখি। মিদ ফিল্ডরগী মশক নাইবী শান্নরোই অমসু ওইরকখিবা মরম্না মরুপ-মপাং মমান্নবী কয়ানসু অথোইবু ক্লব কয়াদা শান্ননবা হৌরকখি। ত্রাওদসু মতম খরা শান্নরকখি। ত্রাওগী মথঙদা সিটিজেন ক্লবতসু শান্নরম্মী। ইং কুমজা ১৯৭৬ তগীনা ১৯৮৬ ফাওবা মাইপাক্লা শান্নরমখি। মতম অমা, ৱুমেন'স ফুটবোল ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়ানা য়াম্না লীঙনা নুপী ফুটবোল চল্লাইরিঙৈদা ইন্দিয়াগী ষ্টেট কুনগী নুপী এসোসিয়েশন কুন্না এফিলিয়েটেদ য়ুনিট ওইনা লৈরম্মী। ষ্টেটশিং অদুদি অন্ধ্র প্রদেশ, অসাম, বীহার, চাদিগর, দেল্লি, গুজরাট, গোৱা, হরিয়ানা, কর্ণাটাকা, কেরলা, মণিপুর, মধ্য প্রদেশ, মহারাষ্ট্রা, মহাকোশল, পঞ্জাব, টামিল নাদু, রাজস্থান, উত্তর প্রদেশ, বিদরভা ৱেষ্ট বেঙ্গল অসিনচিংবনি।

ষ্টেটকী শান্নবা হৌরকপগী মতাংদা অথোই কবুইনা মখা তানা অসুম্না হায়বিরকখি। ঐখোয়না শান্নবা হৌজরকপা মতমদা, মণিপুরগী ওইনা দিষ্ট্রিক্টসি তরুক খক্তা ওইরি। মণিপুর সেন্ট্রেল, মণিপুর নোর্থ, মণিপুর ৱেষ্ট, মণিপুর ইষ্ট, মণিপুর সাউথ লাষ্টকী তরুকশুবসিনা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট অসুম্না লৈ। ঐনা শরুক য়াজরকখিবসিনা সেন্ট্রেল দিষ্ট্রিক্ট হায়বসিদনি। কুমজা ১৯৭৮ দা চুরাচান্দপুরদা তৌখিবা "থর্দ মণিপুর ষ্টেট ৱুমেন'স ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ" অসিদা ঐখোয়গী টিম্না চেম্পিয়ন লৌরকখি। সেন্ট্রেল দিষ্ট্রিক্টতা শান্নরিবা প্লেয়রশিংগী মনুংদা য়াওবসি, কবুই নুপীদা ইতোমতনি। অদুবু ঐ ইমান্নবীশিংগা য়াম্না নুংশিননা লোইনরকপনা অদুক্কী মতিক ঐ নুংঙাইনা শান্নরকখি। মশামক্না শান্নবিরম্বগী ৱারী তল্লদুনা, দি অথোইনা অসুম্না লীবিরকখি। নুপী ফুটবোল হৌরকপা মতমসিদগী ঐখোয়সু শরুক য়াজরকখ্রে হায়বা য়াই। অদুবু ১৯৭৬/৭৭ মতমসি অঙাং য়াম্না ওইরি। ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েশন্না শিন্দুনা শিলচরদা অহানবা চৎপসিদা ঐসু য়াওজরকখি। ঐনা ফুটবোল শান্নজরম্বসি চাউরাক্লা চহী তরা চুপ্পনি।

অমরোমদা, ৱুমেন'স ফুটবোল ফেদরেশনগী মতাংদা নীংশিংলম্বা য়াবা ৱাফম খরদি দল্লিয়ু এফ এফ আই অসি, ইং কুমজা ১৯৭৫ দা লক্ষনৌদা ফর্ষ্ট নেসনেল চেম্পিয়নশিপ পাঙথোকপা হৌরকখি। ইহান হান্না তৌখিবা টুর্নামেন্টসিদা ৱেষ্ট বেঙ্গলনা ৱিন্নর, বিদরভানা রন্নর্স-অপ লৌখি। অনীশুবা নেসনেল চেম্পিয়নশিপ অসিনা য়ু পীগী সুলটানপুরদা তৌখি। মসিদসু ৱিন্নরসি বেঙ্গলনা অদুমক লৌখি। রন্নর্স-অপতি গোৱানা তাখি। থর্দ নেসনেলদনা গোৱাদা তৌখি। ১৯৭৭ কী নেসনেল চেম্পিয়নশিপ অসিদি গোৱানা ৱিন্নর ওইরগা ৱেষ্ট বেঙ্গলনা রন্নর্স-অপ তাখি। লোয়ননা ১৯৭৮ দা কেরলাগী কালিকটতা তৌখিবা ফোর্থ নেসনেল চেম্পিয়নশিপ অসিদনা ৱেষ্ট বেঙ্গলনা ৱিন্নর লৌরগা গোৱানা রন্নর্স-অপ ফঙখি।

নুংশিবা মরুপ-মপাংশিংদু নীংশিংলুবদা ঐ কপনিংলকই। শান্নরিঙৈ মতমদু ঐসু আশা ময়াম তৌজরম্বনি। মণিপুর টিমগীসু কয়ারক কেপ্তেন ওইদুনা ৱিন্নর পুজরকখিবনি। কুমজা ১৯৮০ দা ইন্দিয়াগী কালিকটতা তাখিবা 'থর্দ এসিয়ন ৱুমেন'স ইন্টরনেসনেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট' তসু ঐহাক শরুক য়াজরকখি। মদুগী টুর্নামেন্টতুদা, ইন্দিয়াগী ওইনা ইন্দিয়া নোর্থ হায়বা অমগা ইন্দিয়া সাউথ হায়বা অমগা টিম অনী য়াওখি। ঐগা রোমোনিগনা নোর্থ টিমদা, অদুগা আর কে অমুসনানা সাউথ টিমগী মমিংদা শান্নখি। মদুদা, ঐখোয় টিম্না রন্নর্স-অপ লৌখি। ইন্দিয়াগী নোর্থ টিমদা শান্নমিন্নখিবশিং অদুদি ইটিকোনা মোন্দল, মেরী ভিক্তোরিয়া, গয়াশিলা শেবী, ফটিমা রোদ্রিগু, জুলি গুরজাও (কেপ্তেন), ট্রেশা, উশা পী, মামাতা, অয়োনা এস, উমা চৌধুরি, ক্লিমিন্টন ফর্ণান্দেজ, রেটিনা পেরিঅরা, সুক্লানাস, ইলমা দি কোনা ললিটা, রোমোনী অমদি ঐহাক্নি। মদুদা ঐখোয়গী কোচ ওইবিখিবশিংনা রাজেন্দ্রন কে এম অমসুং পুট্টাস্বামীনি।

মথঙ-মথঙ

খ্বাইলাকপা ঈরেলবু হন্না হন্না নীংশিংলকপগী মরম

থম্মোয় পাউদম **ও সি মৈরা**

চুরক্লরোইদ্রা হায়না মীপায়নরুবা কুমগী নোংসু চুবা হৌরকপদগী হাংগনি হায়বা কাউথোকখ্রে। লমদমসিগী মীয়াম্না চৎহন্নিংবনা লৈতাফম খঙদ্রবা য়েলহৌমী কন্নবা বিল পুথোক্কদবা অশেংবা নুমিৎ লৈঙাক্লা পীবা ঙমদ্রি। অদুনা লমদমসিগী মীয়াম্না মখল অনীগী লান কন্না থেংনরি। আই এল পি সিষ্টেম চৎনহন্নবা চংশিল্লিবা হনবা নায়দ্রবা লান অমসুং ঈশিং ঈচাওগী লাননি। চৈরকসিদা লৈঙাক্লা শেন্বা থোং ঈশিংনা চেন্থখ্রিবনি। মসিদবু করম্না থাজগদে মণিপুর লৈঙাক্লা তৌথোরকপা থবকশিংবুদি। থোং তেকপগী থবক হন্দক্কীসিনা অহানবসু নত্তে। তেকপা কায়বা মান্নদ্রবসু অকায় অতোই নংদবা লৈঙাক্কী থবকশিংগী মশিং খূৎথেল্লগা পাবা য়ারি অদুগা অকায় অতোইগী ৱারীদি হায়রিমখৈ লোইবা নাইরোই। অকায় অতোইশিং অসিসু মণিপুরগী মীংচৎনি হায়গদৌরিব্রা? ইম্ফাল-জিরি ফাউননবা বরাক তুরেল মথক্তা শাবা থোংসু নমথখিবদগী হৌজিক লম্বী ফাউনদনা লৈরি। চৈরকসিদনি হৈরোক্কী থোং ঈশিংনা চেন্থখ্রিবসি।

হৈরোক্তা থোকপা থৌদোক্তি লৈবাক ৱাথোক ওইগল্লি। থাবল চোংলিঙৈদা থোকখিবা নুংঙায়তবা থৌদোকসু লৈখি। হৈরোক্কী ঈশিং থিংবীগা মণিপুরী পুৱারীগা য়াম্না নক্লবা মরী লৈনরি। মণিপুরগী অচৌবা খুল অমনি হৈরোক হায়রিবসি। খুল অসিদগী থোরকখিবা শক্লাইরবা মীগী মশিং খূৎ থেল্লগা পাবদা অৱাবা ওইরগনি। মণিপুর লৈঙাক্তা খুলসিদা পোকপা মীসু য়াওদুনতা লাক্লবনি। মণিপুরদা ভি দি এফকী অহানবা খোঙহৌসু খুলসিদগীনি। পোৎথোক লৈবা খুলনি হৈরোক হায়রিবসি। ভি দি এফ পার্সনেল অমনা মণিপুরগী হোম মিনিষ্টর ওইরিবা দেপ্যুটি সি এম গাইখাঙম্মু মশক খঙদে হায়রুবদা লুপা ৫০০ ফংখিবগী ৱারীনবসু লৈরি। অদুবু ঙসিদি খুল অসিগী মরুওইরিবা থোং ঈশিংনা চেন্থখ্রে। থোং চেন্থবগী পুৱারী অমসু হৈরোক্তা শেল্লে। অদুদি মথঙগী পুৱারীদি করিনা শেমগদৌরি।

তুংদা লাক্কদবা ৱাদি কনানসু হায়বা ঙল্লোই। অদুবু মাংদা তারিবসিমদি খন্নহৌবা চুম্মী। মাংদা তাদুনা লৈরবা ৱাফমবু চুম্না লোয়শিনবা ঙমদ্রবদি তুংগী পরম শেন্বদা ৱানা থোক্কনি। হৌজিক মণিপুরনা খম থেংনা ৱারিবসি তুংগী পোমিৎ উবা ঙমদবশিংনা লৈঙাক্লম্বদগী থোক্লিবনি হায়বসি খঙলগদি হান্না মণিপুরগী লৈঙাকপা ওইরম্লবশিংনা অশিংবা শারগা ঙাংলিবশিংসিসু ঙাংফম থোক্তে। মীয়াম্না শাওনিংলিবসি লৈঙাক্তা য়াওরম্লবা অমদি য়াওরিবশিংনি হায়বসিসু নীংশিংদবদৌনা তৌরি। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু থোং তৎলে, ঈশিং চাওরে, আই এলপি সিষ্টেম চৎনহনবা ঙমদ্রি হায়বসিদি ময়েক শেংলে। মসিদনি য়ুমথংনবা ষ্টেটশিংগী মমাংদা মণিপুরী খুন্নায়না ইকায়রিবসি। ইকায়বা অসি মণিপুরগী লৈঙাক পায়রিবশিংগী মফমদদি লৈতবদগীনি ইকায়নিংঙাই ওইবা থবক কয়া নোংমা কাংদনা থোক্লিবসি। হন্দক্কী থোং কিন্তুবগী থৌদোকসিদদি অসামগী মমাংদা য়াম্না ইকায়জে। মখোয়গী ব্রহ্মপুত্র তুরেল অমদি বরাক তুরেলগী মথক্তা শারিবা থোং ময়ামদুগী মমাংদা তশেংনা ইকায়।

অসামগী থোং নখোয়দি নরায়বক ফৈদকো। বরাক তম্পাক নঙনদি মীমাং থোক্তনা থম্মোয়দা শোয়দনা কপনিংলমগনি। মরমদি বরাক তম্পাক্তি মণিপুরীশিংগী অনীশুবা ইয়ুম ওইরিবনি। লৈমরেম্বী ইন্দুপ্রভাগী ৱারী লৈরি। লেংওনদবী পাৎতা নরসিংহ অমদি গম্ভির সিংহগী ৱাশক্কী খোম্থাং লৈরি। চন্দ্রকৃটি জিলা চঙবগী ৱারী কনানা কাউগনি। অৱা লান্দা লাঞ্জেনখিবশিংনা খুন্দারিবসু বরাক তম্পাক্তনা নম্মী। মীতৈ লাইনিং হীঙ্গৎহল্লকখিবা লাইনিংহল নাওরিয়া ফুলোগী পোক্লফমনি। মণিপুরীনা লাইরিক তমজবা হৌরকপগী খোঙহৌদা বরাক তম্পাক য়াওদনা মপুং ফাদে। অদুনা করিগী কপলোইদগে মণিপুরগী নুংঙায়তবা পাউ অমা তাবদা বরাক তম্পাক্কী মীয়াম্না। অদুনবু চাওথোক-চরিবনি বরাক তম্পাক লৈরি হায়দুনা। মতাংসিদনি বরাক তম্পাক ফাওদুনা চেল্লিবা বরাক তুরেল খোংনুংদা লৈবা খ্বাইলাকপা ঈরেল উমংলাই খুভমবু নীংশিংলক্লিবসি।

বরাক তম্পাক্তা মরু ওইনা শিংথানবা য়াবা উমংলাই খুভম কয়া লৈ। মদুগী মনুংদা নোংচুপ লৈহৌ চীং (ভুবন বরুনি), খ্বাইলাকপা ঈরেল, সনা চহী অহুম (লঙ্গর বাবা), ইপুধৌ থোংনাং, লৱাৎ লাইরেম্বী, লৈহৌ লৈপোক চীং (শিবা চীং), হুইরেম নোংদোল লাইরেম্বী, কোলালৈমা, লাই তেঙ্গোল, খোরি ফাবা অমসুং মরু চীং হায়বসিসু য়াওরিবনি। মরু ওইখ্রবা লাইফমশিংসিগী মনুংদগীনি খ্বাইলাকপা ঈরেল উমংলাই খুভমবু মণিপুরগী ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা লাপনা খুরুমনিংলক্লিবসি। কুমজা ১৯৭৯ দা খ্বাইলাকপা ঈরেল উমংলাই ঙাকশেল লুপ শেমদুনা ঙাক শেল্লক্লিবসিবুনি ইকায় খুম্নফম থোক্লিবসি। "নারান্দোর" হায়বা মীরোননা থোনবা মরোলবু মুৎথৎনবা হোৎনরিবসিমক্লসু মণিপুরদা য়েলহৌমী কন্নিংবগী খুদম ওইরিবনি। তুরেল খোংনুংসিদা ঐখোয়গী ওইবা লাইফম অমা লৈরি হায়বদা কনানা হরাওরোয়দগে। খুভম অসি চহী খুদিংগী ৱাকচিং থাগী অনীশুবা নোংমাইজিং খুদিংদা ঈরাৎ থৌনি পাঙথোক্লিবনি। নুমিৎসিবুনি মীয়াম্না খৌরাংনা ঙায়নরিবসু।

মরম অসিননি ঙসি খুভম অসিবু নীংশিংলক্লিবসি। বরাক তম্পাক্কী মীয়াম্নদি খ্বাইলাকপা ঈরেলবু ঐখোয়গীনি হায়না কন্দুনা থম্বা ঙল্লি। মফমসিগী মীয়াম্নসু মফমদুদা চৎতুনা থৌনিরুরি। অদুগা ঐখোয়গী ইরমসিমক্তদা লৈজরল্লিবা লাইফম কয়া মীতোপ মীয়ান চাশিংগী ওইখ্রবগে হায়বসিমদি মশিং থিদোকত্রি। খোঙথাংসি থাংমিন্নবা তারি। মীতোপ্না মমিং থোনজিনখ্রবা লমদমসিগী শেংনা লৈজরম্বা লাইফমশিং হান্না লৈজরম্বা ইরোলদা হঞ্জিনহনবা তারি। বরাক তম্পাক্কী বরাক তুরেলদা শারিবা থোং পুম্নমক য়েংলুদ্রবসু খ্বাইলাকপা ঈরেলগী চৎফম লম্বী ওইরিবা লক্ষিপুরদা শারিবা থোংগী মমাংদনি। নীংখায়-গনবা থোং শারিবশিংগীদমক্তা ইমায় অসি থমফম লৈরক্ত্রিবসি। লক্ষিপুরদা শারিবা থোং কয়াম ফজে, কয়াম থুনা শাই হায়বা হংলুনবা খ্বাইলাকপা ঈরেল অমুক খুরুম্লুখিবা তারিব্রা? নৎত্রগসু অসামদা মীতোপ মীয়ানচা কয়ামুক য়াম্না হেনগৎলক্লবগে খঙনবা বরাক তুরেল খোংনুংদা হি তোংলগা লাইফমসি য়ৌনবা অমুক্কা চৎলুবা তারিব্রা? মরমদি লাইফম অসি য়ৌনা চৎলিবা বরাক তুরেলগী তোর্ব্বান্দা মীতোপকী মশিং নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি।

ইন্দিয়াগী ওফ-স্পিনর রবিচন্দ্রন অশ্বিন্দা অর্জুনা এৱার্দ পীখ্রে

ন্যু দেল্লি, জুলাই ৩১ ঃ

ক্রিকেট মশান্নগী ওইনা লৈবাক অসিগী য়াম্না মমিং লৈরবা ওফ-স্পিনর অমা ওইরিবা রবিচন্দ্রন অশ্বিন্দা ঙসি অর্জুনা এৱার্দ পীদুনা ইকাই খুম্নখ্রে। এৱার্দ অসি মঙোন্দা হৌথিবা চহীগী মনুংদা স্পোর্টস মিনিষ্টর সরবনন্দ সোনোৱালনা মফম অসিদা পীখিবনি।

অশ্বিনদি কুমজা ২০১৪ গী ওগষ্ট ২৯ দা রাষ্ট্রপটি ভারন্দা পাঙথোকখিবা মনা য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা শরুক য়াবা ঙমখিদে। মরমদি মহাক ইন্দিয়াগী ও দি আই টিমগী শরুক অমা ওইনা মতমদুদা ইংলেন্দা টুর চৎপা য়াওখিবনা মরম ওইদুনা এৱার্দ য়েন্থোকপদা শরুক য়াখিদবা অদুগী য়েংলগা ঙসি মঙোন্দা অর্জুনা এৱার্দ অসি খুৎশিন্নখিবনি।

মশাগী চহী ২৮ শুরবা অমসুং ও দি আই ৯৯ দা ৱিকেট ১৩৯ অমসুং টি-২০ ইন্টরনেশনেল ২৫ দা ৱিকেট ২৬ লৌখিবা অমসুং টেষ্ট মেচ ২৫ দা ৱিকেট ১২৪ লৌবা ঙমখিবা রবিচন্দ্রন অশ্বিননা য়াম্না ঈজ্জৎ লৈরবা এৱার্দ অদু ফংলবা মতুংদা অদুক্কী মতিক নুংঙাইবা ফোঙদোকখি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা ক্রিকেট মশান্নগী খোঙচৎতা লাকখিবদা অদুক্কী মতিক নুংঙাইবা অমসুং অফবা হায়বদু ওইরে। ঐহাক য়াম্না লাইবক ফবা অমা ওইদুনা লাকখ্রে। মসিগীদমক্তা ঐহাক্লা তাইবঙ শেন্বা মপুবু থাগৎচরি হায়বা ৱাফম রবিচন্দ্রন্না ফোঙদোকখি।

য়াম্না অৱাংবা থাক্কী দিগ্রি অমদা ঐহাক্লা লৈবাক্কীদমক্তা শান্নরকখ্রে অমসুং অর্জুনা এৱার্দ অসি ঙসি স্পোর্টস মিনিষ্টরনা য়াম্না চাউনা ইকাই খুমনবা উৎপিবগীদমকতা ঐহাক লাইবক ফবা হায়বদু ওইরে। ঐহাক্লা হেন্না ফবা মওংদা লৈবাক অসিগীদমক্তা থবক তৌরি অমসুং মনা হেন্না ফংলকখিগনি হায়বসি ঐহাক্কী থাজবনি হায়না অশ্বিননা পাউমীশিংদা হায়খি।

শ্রীলঙ্কা টুর চৎপগা লোয়ননা ইহান হানবা টেষ্ট মেচ অদু ওগষ্ট ১২ দগী হৌগদৌরিবনি। মসিগা লোয়ননা অশ্বিনগী মফমদা মশাদা মখল অমত্তগী প্রেসর অমত্তা ফাওবা লৈত্রি। মহাক গেমস অসি শান্নবা হোৎনবদা মথৌ য়াম্না চিনবা ওইরি। য়াম্না পুকচেল শেংনা হায়রবদা ঐখোয়না মতম পুম্নমক্তা শীজিন্নরক্লিবা প্রেসর হায়বসি করিগুম্বা পোৎশক অমখকনি। মরম অসিনা প্রেসর হায়বসি ফেক্টর অমা ওইবদি নত্তে।

ঐহাক মফম অদুদা চৎতুনা মফম অদুগী কন্দিশনশিং অদুগা চুশিন্ননবা হোৎনগনি। ঐহাক্লা শান্নগদৌরিবা গেম অদু মপুং ফানা শরুক য়াগনি হায়নসু অশ্বিন্না মখা তাখি।

আর্চর মঙ্গল সিংহ মঙ্গিয়া কুমজা ২০১৬ রিও ওলেম্পিক্সকী বর্থ ফংখ্রে

কোপনহেগন, জুলাই ৩১ ঃ

মফম অসিদা পাঙথোক্লিবা ৱর্ল্ড অর্চরি চেম্পিয়নশিপ্তা ঙসি ইন্দিয়াগী মঙ্গল সিংহ চম্পিয়ানা ইন্দিভিজুএল ওলেম্পিক কোটাগী বর্থ ফংবা ঙমখ্রে। অমরোমদা রজক চৌহান অমসুং লক্ষমি রানি মঝিদি গোল্ড অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ফংনবা হোৎনবগী তানফম অদু মায়োক্লদুনা অদুমক লৈরি।

মশাগী চহী ৩১ শুরবা হান্নগী ওলেম্পিয়ন মঙ্গল সিংহ চম্পিয়ানা কুমজা ২০১৬ কী রিও-বাউন্দ স্কাউদকীদমক্তা ইন্দিভিজুএল বর্থ ফংবা ঙমখি। মহাক্লা তরুকশুবা সীদ ওইরিবা স্পেনগী এন্টোনিও ফর্ণানেদজবু ৬-২ দা মায়থিবা পীরল্লগা ওলেম্পিক কোটা ফংখিবনি।

ইন্দিয়ানা নুপীগী সেক্সন্দা হৌজিক হৌজিক চথুরিবা ৱর্ল্ড অর্চরি চেম্পিয়নশিপ অসিদগী টিমগী কোটা বর্থ ফংবা ঙমখ্রবনি। অদুমক ওইনা চম্পিয়ানা মেদল ফংননবা হোৎনবা অদুদি মায় পাকপা ঙমখিদ্রে। মহাক ভেনেজুএলাগী ইলিয়াস মলাবিগী মখুত্তা মায়থিখি।

কুমজা ২০০৮ গী বৈজিং ওলেম্পিয়ন চম্পিয়ানা লাষ্ট আইটতা য়াম্না লাইবক থিবা মওং অমদা ২-৪ দা মাংজিল থাখিবদগী সরেন্দর তৌখি। মেন'স টিমনা মমাংদা কোটা অমা ফংবা ঙমখিদ্রবা মতুংদা ঝরখণ্ডগী মাক্সমেন অসিনা ইন্দিয়াগী ওলেম্পিক্কী অশা থল্লিবা অদু অদুমক হিংদুনা লৈহনবা ঙমখি। মরমদি মহাক্লা অতোপ্পা স্পেনিয়র্দ লিগেল অলবারিনো গার্সিয়াগা লাষ্ট ৩২ দা থেংনবদা মায়থিবা পীখি।

চম্পিয়ানা অহানবা অমসুং অহুমশুবা সেট অদু মায়থিবা নংদুনা ২-৪ দা শোত্থদুনা লৈখি। মমৈথংদা লাইবক খরা লৈবদগী অমুক হন্না কন্না শান্নরক্তুনা ৬-৪ দা মায় পাকখিবনি।

পার্ফেক্ট টেন অনী সোট তৌখিবগা লোয়ননা স্পেনিয়র্দ অসিনা মরিশুবা সেটকী অহুমশুবা সেট লোইশিল্লকপদা মিসফায়র তৌখিবগা লোয়ননা চম্পিয়ানা টেন অনী অমসুং নাইন অমা কাপ্তুনা ৪-৪ দা লৈহনখি। প্রেসর লৈরকপা মখাদা শান্নরকখিবা অলবারিনো গার্সিয়ানা মঙাশুবা সেটতসু ফেল ওইখি অদুগা চম্পিয়ানা মহাক্কী মোমেন্তম অদু লেংদনা থম্বা ঙমখিবগা লোয়ননা ১০,৯,৯৯ কাপ্তুনা ইশ্যু অদু মায় পাকপা ঙমখি।

চৌহান্না কম্পাউন্দ সেক্সনগী ফাইনেল চঙদুনা ইন্দিয়াগী ওইনা মেদল অমা শোইদনা ফংলবা য়াবগী ফিভম লৈহনখ্রে। অমরোমদা লক্ষমি মঝিনা ঙসি অঙনবা মতমদা ব্রোঞ্জ মেদল প্লে ওফ শান্নখি। কুমজা ২০১৪ গী এসিয়ন গেমস টিম গোল্ড মেদলিষ্ট চৌহান্না কলম্বিয়াগী কেমিলো কার্দোনাবু ৱান সাইদেদ ওইখিবা কন্টেষ্ট অদুদা ১৪৩-১৩৮ তা মায়থিবা পীরল্লগা লোকল চেলেঞ্জর ষ্টিফেন হনসেনগা ফাইনেলদা থেংনবগী তাঞ্জা লৈখ্রে। ফাইনেল অসি হয়েং শান্নগনি।

লক্ষমি রানিনা ইন্দিভিজুএল সেক্সন্দা ইন্দিয়াগী অনীশুবা মেদল অমা ফংগনি হায়বগী অশা লেঙদনা থম্বা ঙমখিবগা লোয়ননা মহাক্লা লাক্কদৌরিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা রিকর্ভতা ব্র্যোজ মেদল প্লে-ওফতা কোরিয়াগী মিসুন চোইগা থেংনরগনি।

মহাক্কী টিমমেট অমসুং হান্না ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্বী দিপিকা কুমারিনা অহানবা মেচমক্তুদা মায়থিবা নংখিবদগী লক্ষমি রানিনা ইন্দিয়াগী মচু অহুমগী ফিরাল ৱাংনা পাইহন্দুনা লৈহনখি। মহাক্লা জিওর্জিয়াগী ক্রিষ্টাইন ইসেপ্পাবু মরিশুবা রাউন্দদা ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীখিবগা লোয়ননা মঙাশুবা সীদ ওইরিবা মেক্সিকোগী আলেজান্দ্রা ভালেন্সিয়াবু ক্বার্টর ফাইনেলদা ৯-৮ তা মায়থিবা পীখি।

অদুমক ওইনা, টাইপৈগী টোপ সীদ সিহা-চিয়া লিননা লক্ষমি রানিবু ৬-৪ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল বর্থ য়ৌবা ঙমহনখিদে। অনীশুবা সেট মতুংদা ২-২ দা লৈখিবগা লোয়ননা দিননা অহুমশুবা সেটতা বুল'স আই অমা কাপ্তুনা ২৮-২৬ তা মায় পাকখিবগা লোয়ননা য়াম্না দিসাইসিব ওইবা মওংদা ৪-২ দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

মথঙগী সেট অনীদসু মহাক্লা চপ চানা লেভেল অমদা লৈহনখি। মসিগী মমাংদা চৌহান্না লাষ্ট সিক্সটিন্দা ওসি রোবার্ট টিমসগী মায়োক্তা শান্নখিবদা য়াম্না অকনবা মেচ অমা ওইখি। মখোয় অনীমক্লা মঙাশুবা সেট ফালবা ১৪৫/১৪৫ তা লৈখি। অদুবু শুট ওফতা চৌহান্না ৱিন্নর ওইবা ঙমখি।

মহেশ মঙ্গাওকর, জোসনা চিনপ্পা ভিক্তোরিয়া ওপন স্কৱাসগী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

মেলবোর্ন, জুলাই ৩১ ঃ

হৌজিক হৌজিক মফম অসিদা চথুরিবা য়ু এস দোল্লর ১৫,০০০ গী শেনগী মনা লৈরিবা ভিক্তোরিয়া ওপন স্কৱাস ইভেন্টতা কুসকুমারদি লৈহৌখ্রে। তৌইগুম্বসুং মহেশ মঙ্গাওকর অমসুং জোসনা চিনপ্পাদি মথঙশিংনা মেন'স অমসুং ৱুমেন'স সেক্সন্দা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

য়াম্না মায় পাকপা রাউন্দ অনী শান্নখ্রবা মতুংদা, হান্নগী নেশনেল জুনিয়র চেম্পিয়ন কুসতি মহাক্কম্বা য়াম্না ইচং থৌনা শান্নবা ঙম্বা অতোপ্পা শান্নরোই হায়বদি টুর্নামেন্ট অসিগীনা ৬ শুবা সীদ ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী ষ্টিভেন ফিনিসিটসকী মখুত্তা লৈহৌরে।

ওষ্ট্রেলিয়ন অসিনা সেট অহুমদা ১১-৫, ১১-৭, ১১-৯ দা মায়থিবা পীখি। তৌইগুম্বসুং মহেশ মঙ্গাওকরদি ইংলেন্দগী জেনি হেকোক্সগী মায়োক্তা শান্নখিবদা তোঙানবা ফিভম অমা ওইনা লৈ হায়বদু প্রমান তৌদুনা উৎপা ঙমখ্রে। গেম অদু শান্নখিবা মতমদা পুং ৪ চঙখি। অহুমশুবা সীদ ওইরিবা ইন্দিয়ন অসিনা ১৩-১৫, ১২-১০, ১১-৮, ১১-৭ দা মায় পাকখি।

মহেশনা টুর্নামেন্ট অসিগী টোপ সীদ ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন রাইন কসকেলিগা মথঙগী গেমদা থেংনরগনি। অমরোমদা অহুমশুবা সীদ ওইরিবী জোসনানা মশামক্তা থমখিবা থাজবা অদু থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙমখিবগা লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিগী ৬ শুবা সীদেদ ওইরিবী ন্যুজিলেন্দগী নিগন ক্রেগবু গেম ৪ দা মায়থিবা পীরল্লগা সেমি ফাইনেল চঙলকখিবনি।

ইন্দিয়ন অসিনা ১১-৬, ১১-৪, ৮-১১, ১১-৯ দা মায় পাকখিবগা লোয়ননা সেমি ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়াগী 'প্লেয়র ওফ দ দে' ওইরিবী ক্রিষ্টাইন ননগা থেংনরগনি। ৮শুবা সীদেদ ওইরিবী ক্রিষ্টাইননা টোপ সীদ অমসুং মশক মমিং নিংথিজনা খঙনরবী রাচেল গ্রিহামবু গেম মরিদা ১১-৯, ১১-৮, ৪-১১, ১১-৭ দা মায়থিবা পীখি।

রাফাইল নাদল হেমবর্গতা কার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

হেমবর্গ, জুলাই ৩১ ঃ

হৌজিক হৌজিক মফম অসিদা চথুরিবা হেমবর্গ ওপন্দা শরুক য়ারিবা মমিং লৈরবা টেনিস ষ্টার রাফাইল নাদল চেক রিপব্লিক্কী জিরিভেসেলিবু ঙরাং ৬-৪, ৭-৬ (৭/২) দা মায়থিবা পীরল্লগা কার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী টোপ সীদেদ মলোরকন অসিনা চহী ৭ কী মনুংদা ইহান হানবা ওইনা সম্মর ক্লে-কোর্ট টুর্নামেন্টতা শরুক য়াদুনা শান্নবগা লোয়ননা মথঙগী কার্টর ফাইনেলদা ৫ শুবা সীদেদ ওইরিবা উরুগ্বেয়ন পাব্লো ক্যাবাসকা থেংনরগনি। উরুগ্বেয়ন অসিনা পোলেন্দগী জেনজি জানোৱিকজবু ৬-৩, ৪-৬, ৬-২ দা মায়থিবা পীরল্লগা কার্টর ফাইনেল চঙলকখিবনি।

কুমজা ২০০৮ দা হেমবর্গতা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবা নাদলনা মহাক্কী ক্লে কোর্টতা শান্নরকপগী রেকোর্দ অসি কুমজা ২০০৫ ফাওবদা ২৩-৬ তা পাকথোক চাউথোকহল্লকখিবগা লোয়ননা মহাক্লা মহাক্কী ৪৬ শুবা ক্লে কোর্ট টাইটল হাপচিন্ননবা মীৎয়েং থল্লি।

ঐহাক্লা য়াম্না ফজবা মেচ শান্নবা ঙমখ্রে হায়বসি খল্লি হায়না মশাগী চহী ২৯ শুরবা রাফাইল নাদলনা মেচ মায় পাল্লবা মতুংদা হায়খি। মসিগী ওইনা ঐহাক য়াম্না চাউথোকচবা পোকই অমসুং ঐহাক্কী এটিচ্যুদ অসি য়াম্না নুংঙাইবা হায়বদু ওইহায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

ক্লে কোর্টতা শান্নরকপা অসিদা খরা হেন্না মপুং ওইনা শান্ননবা হোৎনবগী তঙাইফদবা অদু খজিক্তংদি লৈরি হায়না মহাক্লা মখা তাখি। নাদলনা সিজন অসিগী মনুংদা ফ্রেন্স ওপন টাইটল লৌবা ঙমখিদবগা লোয়ননা ৱিম্বলদনগী অনীশুবা রাউন্দদা লৈহৌখিবদগী মহাক্কী রেঙ্কিং অসি ১০ দা হায়থরকখিবনি।

(হুবেনগী কুঙ্গা ৱারী)

লাইরেন ওংবী

লাইয়েক অমসুং দাইলোগ- দেভকর লাইশ্রম

ৱারী- বি জয়েন্তকুমার শর্ম্ম


লৈশাবীগী মমানা য়াবিরদুনা হনুবীদুনা মখোয় অনী লাকমিন্নরমই।
মখোয়না অসুম লাকপনা অচৌবা পাৎ অমগী তোর্ব্বান য়ৌরক্লমই।
অদুদগী হনুবীদুনা হায়রকই।
ইবেম্মা, ঐখোয় অনী ঈশিং অসিদা ইরুপকদবনি
এ! ঐদি ঈরুপ্পা হৈসু হৈতনা, ঙমজরোই।